# অঙাংশিং, বায়ু অমসুং

# ক্লাইমেট চেঞ্জ

## ঃ হিটৱেভনাঁ লান্দারকপা




ডা: রবিন্দ্র খাইৱাল
ডা: সুমন মোর

# অঙাংশিং, বায়ু অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ

## ঃ হিটৱেভনা লান্দারকপা

**(মাংজৌননা অচম্বা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা হিটৱেভক্তগী ঙাকথোক্লবা কোমিক)**

অইং-অশা ওল্লকপা-ওন্নরকপা (ক্লাইমেট চেঞ্জ) অয়াম্বনা ইকো সিষ্টেম মাং তকহনবগা মরী লৈনহল্লি, অদুবু মসিনা ঐখোয়গী পুন্সি অমসুং ঐখোয়গী হকশেলদসু হকথেংননা শোকহল্লি। মালেমগী ওইনা হৌজিক হিটৱেভশিং থোকপগী খোঙজেল, মতম অমসুং চাং হেনগৎলকপা উরি। হিটৱেভশিংগী অকক্লবা দিফিনিসন লৈ। সধারন ওইনা, মওং-মরীল নাইদনা টেম্পরেচর ৱাংবা অমসুং অতৈ মেটেওরোলোজিকেল পেরামিটরশিংনা হিটৱেভশিং থোকহনবদা মতেং পাঙই।


চহি খুদিংগী হিটৱেভশিংদা পুন্সি লিশিং-লিশিং মাংই, অদুবু অতৈ অমাং-অতা থোকহনবা থৌদৌশিং (দিজাষ্টর) দা তৌবগুম থোইনা হেন্না পুক্নিং থিংজিন্নদে। মরম অদুনা, হিটৱেভশিং অসি খোঞ্জেল থোত্তবা মীহাৎপশিং (সাইলেন্ট কিল্লর) নি হায়না খঙনৈ।


হিটৱেভশিংনা মৈশাগা মরী লৈনবা লায়না-অনাবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই, অসিগুম্বা হকচাংগী ফিভমশিং অসি ইচম চম্বা লাইওংশিং হায়বদি কয় হেন্না হুমাং থোকপদগীনা শামনবদগী হকচাং চেকথবা অমসুং মৈশা হেনমনখিবদগী শিবা ফাউবা, ওইবা য়াই। হিটৱেভশিং অসি নুংশাপ্পর মরী অমসুং থম্মোয়গী লায়না, ঈশিং-য়াফমগী অনাবশিং অমসুং পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা ফিভমশিংগসু মরী লৈনৈ। হিটৱেভকা মরী লৈনবা অনাবশিং অমসুং শিরিবশিং অসি, চুনবা অমসুং কোকহন্নবা পান্নৈশিং নীংথিনা পায়খৎলবদি হন্থহনবা য়াগনি।

ৱাখল্লোন অসিদা পি.জি.আই-এম.ই.আর-চান্দিগর অমসুং পঞ্জাব য়ুনিভর্সিতি, চান্দিগরনা কিদস, বায়ু এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বসিদা অনৌবা কোমিক সেরিজ অমা শেমলে। কোমিক অসিনা হিটৱেভ অমসুং নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবশিং করিনো হায়বসিদা মপুং ওইবা মিৎয়েং থমলি। মসিগী মথক্তা, মসিনা অঙাংশিং অমসুং মীচম মীয়ামদা নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবশিংগী লাইওংশিং অমসুং হিটৱেভনা মরম ওইদুনা মী অমত্তা শিহন্দবা হায়বা পান্দম অদু ফংবা ঙম্লবা অনাবশিং অসি করম্না হেক য়াবমখৈ মশিং হন্থহনগদগে হায়বগী মতাংদা শিক্ষা পীরি।





নখোয়গী স্কুল মতম লোইরে।
GOVERNMENT SCHOOL
SARVA SHIKSHA ABHIYAN
EDUCATION FOR ALL
DIKSHA
NIPUN BHARAT
ৰা-ও
অঙাংশিং য়ুমলোমদা চংলি।
ঙসিসি কা-হেন্না শাইহে!
উম, টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ৪০ হেল্লে হায়না ঐ পাউদা তাহৌই।
BREAKING NEWS
43⁰
HIGH TEMP
LOW TEMP
30⁰
9-16
mph
WIND
CHANCE OF RAIN
0%
HEATWAVE GRIPS SOUTH ASIA



অঙাংশিং স্কুলদগী হল্লক্তুনা ময়ুমদা চৎপগী লম্বীদা লৈরি। কালেনগী য়াম্না শাবা নুমিৎ চপ য়ুংবা মতমনি। খঙহৌদনা অঙাং অমা ৱান্থরকই। অঙাংশিংদু ইপা-পাখৎনৈ অমসুং ৱান্থরিবা অঙাংদু মতেং পাঙনবা হোৎনৈ।
নঙ কৈদৌরে ?
ঐহাক হকচাং নুঙাইতে !
মাবু উরুমদা পুশিনসি।
(অঙাংশিংনা মহাকপু উরুমদা পুশিল্লি অদুগা ঈশিং খরা পিথকই)
সে ঈশিং খরা থকউ।
নহাক খরা ফরব্রা ?
হোয়, ঐ হৌজিক্তি ফরে। ঐ ইশোন শোন্থরগা, কোক ঙাউরকপনি।
BREAKING NEWS
43⁰
30⁰
9-16
0%
HEATWAVE GRIPS SOUTH ASIA
নহাক কা হেন্না শামনবদগী শোকপা মাল্লি। ঐনা টি ভিয়েংবদগী খঙবদা মসি নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা মাল্লি।


নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা?
মসিবু করিনো ? ঐদি অমুক্তা তাদ্রি ।
কন্নানা ঐখোয়দা হেন্না নীংথিনা শন্দোক্না তাকপীবা ঙমগদগে?
বায়ু...........
কন্নানা ঙমগদগে হায়বদু ঐ খঙই। ঐখোয় বায়ুবু কৌসি....
বায়ু...........
বায়ু...........



বায়ুনা ঈশিং শোকপিদুনা শাশিংগী মতেং পাংলি।
বায়ু, বায়ু, বায়ু
অঙাংশিং ইপা পাখৎনবগুম তৌরে। মখোয়বু মতেং পাংবিদবা য়াদ্রে।
বায়ু অঙাংশিংদু উনবা চঙলকই
কৈদৌরে ? অঙাংশা নখোয় কৈদৌরে ?
শাবদগী মহাক মশা নুঙাইত্রে।
নহাক হৌজিক্তি কমদৌরি ?
ঐহাক কোক ঙাউরম্বনি, হৌজিক্তি খরা ফবগুম তৌরে।
পাখৎকনু, ঐনা নঙবু হোসপিতালদা পুবিনি।
प्रधानमंत्री जन आरोग्य योजना
आयुष्मान भारत
PM-JAY




অঙাংশিং হোসপিতালদা
মহাক ফবগুম তৌরে, নখোয়না মাবু য়ুমদা পুবিবা য়াররনি। অঙাংশা, মনান্দা নুংশা কা হেন্না শারি অদুনা হকথেংননা নুংশায়েহনগনু। হিটস্ত্রেভ লৈবনা মসি নুংনাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা মাল্লি।
থাগৎচরি ডাক্তর। ঐখোয় চেকশিনজগে।
বায়ু! ডাক্তরনা ঐখোয়দা হায়রল্লিবদু, হৌজিক লৈরিবা হিটস্ত্রেভসিনা মরম ওইরগা মহাক্কীসি শাবগা মরী লৈনবা অনাবা ওইরম্লা য়াই হায়বনি।
হোয়নে, অঙাংশা।
হিটস্ত্রেভ অমসুং শাবগা মরী লৈনবা অনাবা হায়বসিবু করিনো?
য়াম্না ফজবা ৱাহংনি! ঐ শন্দোক্লা তাক্কে।
অঙাংশা, নখোয় খঙলব্রা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা মালেমগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলকলি।
0.6
0.4
0.2
0
-0.2
-0.4
-0.6
Average Temperature (°C)
GLOBAL AVERAGE SURFACE TEMPERATURE
1880 1900 1920 1940 1960 1980 2000 2020
ক্লাইমেট চেঞ্জ? মসিবু করিনো?


অঙাংশা, ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বসি পৃথিবীগী তেম্পরেচর অমসুং ৱেদরগী মওং মতৌদা মতম শাংনা হোংদোকহোংজিন তৌদুনা লাকপা অদুনি।
JURASSIC
PALAEOCENE
PLEISTOCENE
HOLOSCENE
ANTHROPOCENE
16
12
08
04
0
-4
400
100
60
10
5.0
1.0
700
200
100
20
18.0
3.0
1850
2100
Myr
Kyr
Years AD
অওনবশিং অসি, চহি লিশিং কয়া চংবা নুমিৎকি খোঙচৎতা অহোংবশিং লাকপগুম্বা মহৌশাগী ওইবা মরমনসু ওইবা য়াই। পৃথিবী অসিগী ইতিহাস পরিংদা পৃথিবীগী ক্লাইমেত অসি হোংলকখ্রে হায়বসি খঙবদা নখোয় ঙক্লা থোক্কনি।
অদুমওইনমক, কয়লা, থাউ অমসুং গ্যাসনচিংবা ফোসিল ফুএলশিং মৈ থাবগুম্বা মীওইবগী থৌওংশিং অসিনা হৌখিবা চহি চনিরোমসিদা মালেমগী টেম্পরেচর অসি ৱাংখৎহল্লক্লি। মসিদা হেনগৎলক্লিবা অসি পৃথিবীগী ইতিহাসকি তাঙ্কক অমা নত্রগা অমদা হেনগৎলকখিবা অদুদগী খোঙজেল য়াংবা হেল্লি।
1.2
1
0.8
0.6
0.4
0.2
0
-0.2
1850
1875
1900
1925
1950
1975
2000
2025
ক্লাইমেট চেঞ্জজ থোকহল্লিবা মরমশিং
কয়লা মৈ থাবা
গাড়িনা নুংশিং মোৎহনবা
উম্নং কোকথোকপা
$CO_2$


হোয় অঙাংশা ঃ নুমিত্তগী থাদোরকপা ইনর্জি লৌশিনবা ওন্বা পৃথিবীগী প্রোটেক্টিব এটমোসফ্যার অমা লৈ হায়বা ঐখোয় খঙই। ইনর্জি অদুগী শরুক খরা পৃথিবীগী লৈমাইদগী থক্তোকখি অদুগা লেমহৌরিবা হিত (মৈশাগী) ইনর্জি অদুনা চুপশিল্লি।
পৃথিবীগী লৈমাই মনাক্তা লৈবা গ্যাস খরনা হিত ইনর্জি চুপশিনদুনা ঐখোয়বু হিংবা ঙমহন্নবগীদমক পৃথিবীগী চাংচৎ ওইবা টেম্পরেচর ঙাক্তুনা থম্মী। অসিগুম্বা এটমোসফ্যারদা য়াউবা মৈশা চুপশিনবা গ্যাসশিং অসিবু গ্রীন হাঊস গ্যাসশিং কৌই।
ইনফ্রা-রেদ রেদিএসন খরদি এটমোসফ্যার ফাঊদুনা চৎলি।
রেদিএসন খরনা অমুক হন্দুনা থক্তোকখি।
ইনফ্রারেদ রেদিএসন অসি পৃথিবীগী লৈমায়দগী থোরকপনি।
এটমোসফ্যার
পৃথিবীগী লৈমাই


বায়ু, গ্রীনহাঊস গ্যাসশিংগী খুদমদি করি করিনো ?
অঙাংশা, সিদা মপুং ওইবা গ্রীনহাঊস গ্যাস খরা লৈরে।
কার্বন - ডাই ওক্সাইড
মিথেন
ঈশিং ঈনিল
ওজোন
নাইত্রস ওক্সাইদ



অদুগা বায়ু, ফোসিল ফুএলনা করম্না পৃথিবীগী টেম্পরেচর হেনগৎহল্লিবনো ?
অঙাংশা, ঐখোয়না ফোসিল ফুএল মৈ থাবা মতমদা ঐখোয়না গ্রীনহাঊস গ্যাসশিং য়াম্না থুনা হেনগৎহল্লি। গ্রীন হাঊস য়াল্লিবমখৈ, মৈশাসু হেন্না চুপশিল্লি, মদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহল্লি।
$CO_2$ PARTS PER MILLION
400
380
360
340
320
1960 1975 1990 2005 2020
YEAR
গ্রীন হাঊস গ্যাস
$CO_2$
$CH_4$
$N_2O$
$C_2O$
নুঙাইজরে, বায়ু।




অঙাংশা, ক্লাইমেটকি ৱাথোকসি মীওইবগী হকশেলগী ৱাথোকনি হায়বসি নখোয় খঙলব্রা। ক্লাইমেট চেঞ্জ অসি পাম্বীশিং, শাশিং অমসুং মখোয়গী লৈফমশিংদসু য়াম্না মীপাইনিঙাই ওইহল্লিবনি।
ক্লাইমেটকী চৈথেং
মীওইবা
পাম্বীশিং
শা-শিং
লায়না থোকহনবা
মচী ওইবা চীনজাক ৱাৎপা
মপুং ফাদনা লৈ-শাৎপা
পাম্বীগী চাউবা থিন্থহনবা
ঈশিং ঈনিল য়াম্না হেন্না থোকহনবা
ইকোসিষ্টেম পুন্নমক মওং হোংহনবা
লৈফম হোংবা
হৈনবা হোৎনবা
লৈফম হোংবগী মওং মতৌ হোংলকপা
ঈন্দিয়ান চীতাহ, পিঙ্ক হেদেদ দক, দ গ্রেট ঈন্দিয়ান বষ্টার্দ
EXTINCT




ওহ, বায়ু। মসিদি য়াম্না নুংনাংনিঙাইহিনি। ঐখোয়না ক্লাইমেটকি চৈথেংসি করম হায়না হন্থহনগনি?
অঙাংশা, ক্লাইমেট চেঞ্জ অসি পনখৈ অমদা লৈহন্নবা ঐখোয় পুন্নমক্না থবক খরদি লৌখৎপা য়াই।
ক্লাইমেট চেঞ্জ হুত্থন্নবা থৌরাংশিং
ফোসিল ফুএল শিজিন্নবা তোকপা -
ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা-
শাদোকপা-


অদুবু বায়ু, হিটৱেভসকা ক্লাইমেট চেঞ্জগসি মরী লৈনব্রা ?
অঙাংশা, ক্লাইমেট চেঞ্জদগীনি ঐখোয়না কা হেন্না শাবা নত্রগা ইংবা য়াউনা, কা-হেনবা ৱেদরগী ফিভমশিং থেঙনবা হেনগৎলক্লিবসি। অনিমক মরী লৈনৈ হায়বগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম লৈ।
কা-হেনবা ৱেদরগী থৌদোকশিং-
ওঁ দ্যৌঃ শান্তিরন্তরিক্ষং শান্তিঃ
পৃথিবী শান্তিরাপঃ শান্তিরোষধয়ঃ শান্তিঃ বনস্পতয়ঃ ॥
ওম, আতিয়াদা শান্তি, শুন্দ্রংদা শান্তি, পৃথিবীদা শান্তি, ঈশিংদা শান্তি, পান্নীশিংদা শান্তি, মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা ?
অদুবু বায়ু, নহাক্লা হিটৱেভ অমসুং মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী মরমদদি হায়দ্রি ?
HEAT RELATED ILLNESS ?
ঐঙোন্দা মদু হন্না নীংশিংলকপগীদমক থাগৎলি। ঐ হায়রগে ?


মফম অমগী (নহাক্কি সহরদু পুক্নিংদা নীংশিংউ) টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ৪০ নত্রগা হেন্না শারবদি মদু ঐখোয়না হিটৱেভ কৌই।
ও! মসিদি য়াম্না নুঙাইবা জাৎনিনা। তোঙানবা মফমগী তোঙানবা নীয়ম।
দিগ্রী ৩০ নত্রগা মদুদগী হেনবা
দিগ্রী ৪০ নত্রগা মদুদগী হেনবা
দিগ্রী ৩৭ নত্রগা মদুদগী হেনবা
মহৌশাগী টেম্পরেচরদগী হেনগৎপগী চাং
কাংলুপ
অশেংবা স্বাইদগী ৱাংবা টেম্পরেচর
সেলসিয়স দিগ্রী ৪.৫ দগী ৬.৪ ফাওবা
হিটৱেভস
সেলসিয়স দিগ্রী ৪৫ গী মথক
সেলসিয়স দিগ্রী ৬.৪ দগী হেনবা
অকনবা হিটৱেভ
সেলসিয়স দিগ্রী ৪৭ গী মথক



অদুদি হিটৱেভনা মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা থোকহল্লে?
হোয় অঙাংশা ! হিটৱেভসতা ইনভাইরনমেন্টকি ফিভমশিং, হকচাং অমসুং থবকশিংগী অপুনবা চৈথেং উংলি।
ইনভাইরনমেন্টকি ফিভমশিং
মীওইবগী হকচাং
থবকশিং
টেম্পরেচর খঙহেন হেনগৎপা
হমাং মরাং কায়না থোক্তবা
কা-হেনজিন্না শু-নোম্বা
ঈশিং ঈনিলগী চাং ৱাংবা
ঈ-চেনবগী চাং হন্থরকপদগী মৈশা মাঙবা ৱাৎপা
মপান্দা থোক্তুনা থবক তৌবা
নুংশিৎ শিত্তবা
শাজেল তৌবদগী টেম্পরেচর ৱাংখৎপা
মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা


থাগৎচরি বায়ু, হৌজিক্তি ঐখোয় হিটৱেভস অমসুং মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী মরম খঙলে।
অদুগা বায়ু, হিটৱেভসকি মতাংদা ঐখোয় তশেংনা নুংনাংনিঙাই ওইব্রা?
অঙাংশা, হিটৱেভশিংসে তুমিন্না (খোঞ্জেল থোক্তনা) মীহাৎপশিংনি। অতৈ মাং তাকহনবা খুদোংথিবা যৌদোকশিং খুদম ওইনা ঈশিং ঈচাউ অমসুং য়ুহার হাবগুম্না হিটৱেভশিংসিদি কয়া যৌশানদে।


হিটৱেভশিংবু মাং তাকহনবা খুদোংথিবা ওইনা ?
মান্নি, অঙাংশা ! হৌখিবা চহি ২৫ সিদা হিটৱেভসনা ভারত্তা মী লিশিং ২৫ হেল্লা মতম চাদনা শিখি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা পায়।
অশেংবগী ? অদুদি, পুন্সি কন্নবা ঐখোয় করি তৌবা তাই ?
অঙাংশা, ঐখোয়না হেলথ সেক্তর শিজিন্নদুনা মীয়ামবু নীংথিনা ভাব তাহল্লবা অমসুং হিট এক্সন প্লান থবক্তা ওন্থোক্লবদি অসিগুম্বা মীশি অসি থোকহন্দবা ঙমগনি।
চুম্মি অঙাংশা, হিটৱেভসতা মী অমত্তা শিহন্দনবা ভারতনা ২০১৫ দা ৱারেপ অমা লৌখি।
মসিবু চুম্বনে ?
ভারত সরকারগী য়াম্না ফবা থৌরাংনি। মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা পাউজেল শন্দোকপদা ঐখোয়নসু মতেং পাংগনি।
হিটৱেভসতা মী অমত্তা শিহন্দবা


অদুগা বায়ু, নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী লাইওং ঐখোয়না করম্না খঙগনি?
অঙাংশা, মখাদা পীরিবশিং অসি নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী লাইওংশিংনি-


নুংশগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী লাইওংশিং
হকচাং ইফা ফাউজিনবা
হকচাংদা উচিরাই হৌব
কোকচীকপা
চোকথবা
কা হেন্না হুমাং থোকপা
থুক-থুক লাউবা-ওবা
শ্বাস চনিং চমাং শম্মদবা
শোংহৌবা-কোক ঙাউবা
থৌহাং-খোইশাউজিনবা
হকচাংগী টেম্পরেচর ৱাংখৎপা


বায়ু,হিট একজোসন অমসুং হিট ষ্ট্রোক হায়বা অমসু তাই, অনিসি করি খেন্নবগে?
চুম্মী, অঙাংশা। হিট একজোসন অমসুং হিট ষ্ট্রোক্কী লাইওংশিং অসি খেন্নে। গ্রাফিক অমগা লোয়ননা নখোয়দা শন্দোক্লা হায়গে ?
হিট একজোসন
হিট ষ্ট্রোক
ৱাহন্থবা
কা হেন্না হুমাং থোকপা
ওবা
ঈংবা, উনশা তাইফেং তাইব
কোক চীকপা
হুমাং থোক্তবা
ওবা
উনশা মচু ঙাংবা, ইকং কংবা


বায়ু, দি হাইড্রেসনগী মতাংদসু শন্দোক্লা হায়বিয়ু।
অঙাংশা, দি-হাইড্রেসনগী লাইওংদি ঈশিং খৌরাংবা, চীন কঙবা, মীহুল দং-দং থুনা হুনবা অমসুং মপান ঈথোক থোক্তবা অসিনি।
নখোয়না ঈশিং য়াম্না থক্লগা নত্রগা ও.আর.এস. থক্লগা মসি থিংবা য়াই।
O.R.S


থাগৎচরি নহাক্পু। হৌজিক্তি ঐখোয় নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবগী লাইওংশিং খঙলে।
ফরে। অঙাংশা নখোয়দি য়াম্না থুনা খঙইহে।
বায়ু, নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবশিং করম্না থোকহল্লোইদগে হায়বদুসু তাকপিয়ু।
নুংশা চপ য়ুংনা শারিঙৈ
12 PM - 4 PM
অঙাংশা, নুমিৎ চপ য়ুংবগুম্বা, খ্বাইদগী শাবা মতমদা ঐখোয় নুংশাদা থোক্লোইদবনি। মসিনা নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা থোকহনবা য়াই।
হোয়, মসিননি ঐখোয়গী মরুপনা মকোক ঙাউখিবদু।
মান্নি, ঐখোয়গী স্কুলগী মতম হোংদোক্লে হায়নসু তাই।
ঐখোয় অয়ুক অঙনবদা স্কুল চৎপা অমসুং নুংশা চপ য়ুংনা শাদ্রিঙৈ মমাংদা হল্লকপা তঙাইফদে।
মসি স্কুল অঙাং পুম্নমক অমসুং মচে-খায়গী মমা-মপাশিং হিটস্ত্রেভসতগী অশোয় অঙাম থোকহনবগী অফবা ঙাকথোক্লবা পাম্বেনি।


বায়ু, ঐখোয়না তঙাইফদনা নুংশা চপ য়ুংবা মতমদা থোকপা তারবদি কমদৌবা ? অতোপ্পা থৌরাংশিংসু লৌখৎপা য়াব্রা ?
য়াম্না ফজবা ৱাহংনি। নুংশাগী মৈশাদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ খরা লৈরে।
নশাগী ঈশিং লীক্কি পু
নশাগী ছাতিন পু
নকোক্তু নুংশা হকথেংননা য়ৈহনগনু
ফুরিৎ খুদাং অচোনবী অমসুং কোম কোম লাউবা লীৎলু
অচম্বা চীঞ্জাক চাউ
খামদুনা লৈবা কার মনুংদা ফমগনু।
হিটৱেভসতগী ঙাকথোক্নবা হন্দক্তা ঐখোয়গী সরকারনা চৎন-কাংলোনশিং লাউথোক্লে।
স্কুল অমসুং ময়ামগী ওইবা মফমশিংদা ঈশিং অইংবা শোয়দনা ফঙহনগদবনি।
পিএম ফুদ জাঞ্চ
চানবা পোৎ অদু নৌনা শেম শাবা ওইগদবনি।
চানবা পোৎ অদু ফোং-ফোং শাগদবনি।
ময়ামদা য়েন্দ্রিঙৈদা সুপরভাইজরনা হান্না চাগদবনি।
মীয়ামগী ৱাফম
খামদুনা লৈবা কারদা অঙাং থম্লমগনু
সন স্ক্রিন শিজিন্নৌ
SUN BLOCK
নুংশা চপ য়ুংনা শাবা মতমদা ইমুংদা লৈবিয়ু
মচু য়াক্তবা ফিরোল শেৎপিয়ু
য়ুনিফোর্ম অচিনবা শেৎপিগনু
অয়াংবা খোংউপ তোংবিয়ু।
স্কুলশিংদা পৱার বেক
-অপ অমসুং লু-
নানবা তোইলেট লৈগদবনি।
লাইরিক তম্ফম কাদা হকথেংননা নুংশা চংহল্লোইদবনি।
HEATWAVES
BLIND FOLDS
মমা-মপা-ওজাশিং হিটৱেভকি মরমদা খঙগদবনি।
HEAT RELATED ILLNESS
বাইসাইকল (একাগাড়ী) তোংদুনা চথোকপদা কোক কুপকদবনি।
মাংজৌননা পীবা নোং-চীং, অইং-অশাগী পাউ য়েংগদবনি।
RAINY


নখোয় ঈশিং অইংবদা ইরুজবসু য়াই।
মদু চুম্মী, অঙাংশা । বালতিন শিজিন্নরগা ইরুজৌ। সোৱার শিজিন্নরগা ইরুজবগা য়েংনবদা মসিনা ঈশিং চংদবা হেল্লি।
বায়ু, ঐদি ঈশিং অইংবনা সোৱারদগী চাইথবসি পামজৈ। অদুবু ইমানদি ঈশিং মাংহনগনু হায়।
য়ারে, বায়ু।
মসিগীশিং অসি নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবা ঙাকথোক্লবা অচন্বা পান্বেশিংনি-
নুংশা চপ য়ুংনা শাবা মতমদা ইমুংদা শান্নৌ
নুংশা চপ য়ুংনা শাবা মতমদা চাক থোংগনু
নুংশাদা অৱাবা অকন্বা থবক তৌগনু।
খোংউপ তোংদনা চংকনু।
হোয়, বায়ু।


অঙাংশা, ঐখোয় চিনি য়াম্না থুন্বা অমসুং সোদাগুন্না ফিস ফিস কান্বা থক্লবা মহি য়াউনা য়ু, চা অমসুং কোফি শিজিন্নরোইদবনি।
কোকা য়াউবা থক্লবশিং ঐখোয় থকপা তোকপা তাই।
22%
COCA
চুম্মী।
অঙাংশা, ভারত্তা, হকচাং ফহনবদা অমসুং নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবশিং ঙাকথোকপদা মতেং ওইবা মহৌশাদগী চৎনরকপা, থক্লবা ময়াম অমা লৈ।
ভারত্তা মহৌশাদগী চৎনরকপা থক্লবশিং
Babri Beoul
Gond Katira
Lugdi
Lassi
Apple Cider
Kanji
Banta
Buransh Sherbet
Thekera Tenga Sherbet
Apong
Mohi
Shikanji
Thandai
Jamun Sherbet
Tongba
Juroni Pani
Imli ka Amlana
Aam Panna
Mattha
Zutho
Aam Jhora
Sohiong sherbet
Atingba
Variyali Sherbet
Shahi Shikanji
Sattu Sherbet
Taal Sherbet
Hatghora
Ganne ka Ras
Palash Sherbet
Gondhoraj Ghol
Chuak
Komal
হোয়, মখোয়শিং অসি মহৌশাগীনি অমসুং হকচাং ফৈ।
Piyush
Tikhur Sherbet
Tanka Torani
Mastani
Aab Shola
Landa Baguli Dahi Sherbet
Aamras
Menthi Majjiga
Kokum
Bellada Hannu
Sol Kadi
Falsa Sherbet
থাগৎচরি বায়ু। ঐখোয় মহৌশাদগী লৈরকপা থক্লবশিং অসি শিজিন্নরগনি।
Vasantha Neer
Nannari
Sambaram
Nungu Sherbet
Kulluki Sherbet
Panakam


বায়ু, ঐখোয়সি নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবনা চপ মান্ননা নাগনব্রা নত্রগা মীওই খরদনা হেন্না য়াম্না নাগনব্রা ?
থাগৎচরি
নহাক্না য়াম্না ফজবা ৱাহং অমা হংলে।
অঙাংশা, মপান্দা নুংশাদা মতম শাংনা থবক শুবা মীশিংদনা নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবনা নাবা য়াবগী খুদোংথিবা য়াম্না হেন্না লৈ।
ওহ
নহাক্না হায়রিবসি, লৌমীশিং, শীন্মীশিং, ফেক্তরিদা থবক তৌবশিং, পোৎ-চৈ থিনবা চৎপশিং অমসুং শান্নরোইশিং?
অচুম্বনি, অঙাংশা ! অহলশিং অমসুং নাদুনা হিদাক চারিবা মীওইশিংসু হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওই।
ফরে, ঐনা ঐখোয় ইথৌদু হিটৱেভ মতমদা খরা হেন্না চেকশিন্নবা হায়রগনি।



ঐখোয় পুম্নমক্না ঐখোয়গী অহল ওইরবা ময়ামবু য়েংশিনবিগদবনি।
চুম্মি, ঐখোয়না মখোয়বু য়েংশিনগনি, বায়ু!
ৱাফমশিং অসি নিংশিংবিয়ু-
অদুবু বায়ু, কনাগুম্বা অমা নারক্লবদি ঐখোয় করি তৌবা তাই ?
মী অদু খুদক্তা উরুমদা নত্রগা অইংবা অমসুং নুঙাইগদবা মফম অমদা ইমুংদা পুশিল্লু।
মীওই অমা মমিৎ-মনা শিংলক্লবা অমসুং মিকপ থোক্লবদি, অইংবা ঈশিং অমসুং মহী-মনই (হৈ-মহি, ও.আর.এস) পীথকপা য়াই।
মফি-মরোল কোমথোকহনবা য়াই, অদুবু মী অদুগী ইজৎ শোক্তনবা চেকশিনগদবনি।
RAISED FEET
মী অদু মখোং খজিক্তং থাঙ্গৎহল্লগা হিপথহল্লু। অদুবু মী অদু ওরক্লবদি, ফুন্দনবা চেপহল্লু।
USE COLD TAP WATER
লাইহৌ লৈবা য়াই, লৈরবদি অইংবা তোতি ঈশিংনা মশা নাপ্তোকপিয়ু।
অঙাংশা, নখোয়না নিংশিংগদবদি, মী অদু গ্যান মাংদুনা লৈরিবা ওইরবদি, করিগুম্বা চানবা অমত্তা পিজরোইদবনি। খুদক্তা মখোয়বু মনাক নকপা হেলথ সেন্টরদা পুগদবনি নত্রগা এম্বুলেন্স কৌগদবনি।
AMBULANCE
হেলপ লাইন নম্বর-
112


বায়ু, ঐখোয় ইমানা উচেকশিংগীদমক ঈশিং কন্থী থন্বীবা উই।
আয়িংবা
চুম্মী, অঙাংশা। শা-উচেকশিং হিটব্রেভনা শোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা খোঙথাং মচা-মচাশিং অসিনসু মখোয়গী পুন্সি কনবিবদা মতেং ওই।
ফরে, ঐসু শা-উচেকশিংদা মচীঞ্জাক হুনবিরনি, ঈশিংসু পীথক্কনি।
য়াম্না ফৈ, অঙাংশা! করিগুম্বদা কাং মরুম কোকশিল্লকপসু য়াই, অদুনা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংদু শিন্দোকপা কাউরোইদবনি।
থাগৎচরি বায়ু। ঐখোয় নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং শিন্দোক্কনি অমসুং ঈশিং কন্থীদু লু-নান্না থমগনি।
আয়িংবা
আয়িংবা
ফরে অঙাংশা! নখোয় নশাবু অমসুং অতৈবু হিটব্রেভ অমসুং নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবদগী অশোয় অঙাম থোকহন্দবা ওল্লগনি।
হোয়, বায়ু।
য়াম্না ফরে অঙাংশা, নখোয়না য়াম্না খঙনিংবা অমসুং পুন্সি কন্নিংবদু উবদা ঐহাক নুংঙাইরে।


অঙাংশা, নখোয়না করম্না হিটব্রেভশিং ইংনা থমগদগে হায়বদু ঐঙোন্দা অমুক হন্না হায়রো।
বাবা ঈশিং লিক্কি পুবিয়ু অমসুং তোয়না থকপিয়ু।
কাকা, নুংশা চপ যুংবা মতমদা উ-খাদা তোয়না তোয়না পোত্থাবিয়ু।
ইখৌ, নুংশা শাবা মতমদা মপান্দা চত্থোকপা তারবদি ছাতিন পুবা কাউবিগনু।
নুংশা চপ যুংবা মতমদা ঐখোয় ইমুংদা লৈগনি।
অবোক, কোক খুম্নবা ফি পুবিয়ু।
খামদুনা লৈবা কার মনুংদা অঙাং থম্বীগনু।
Please help
ঐখোয় পুম্নমক অকোম্বা ফি অমসুং মচু য়াত্তবা ফিরোল শেৎসি।
অঙাংশা নখোয় ঐখোয়গী হেরোনি।

## অঙাংশিং অমসুং হিটৱেভতা মী অমতা শিহন্দবা

ক্লাইমেট চেঞ্জনা অমরোমদা ঐখোয়গী পৃথিবী অসিবু শোকহল্লি। কা-হেন্না শাবা নত্রগা ইংবা য়াউনা কা হেনবা ৱেদর ওইরকপগী চাং হেনগৎলকপা ঐখোয়না উরি। ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং হিটৱেভস অমগা অমগা মরী লৈনৈ হায়বগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম লৈ।



হিটৱেভশিং অসি তুমিন্না মীহাৎপশিংনি অমসুং ৱাফমসিগী য়েংলগা হিটৱেভতা মী অমতা শিহন্দনবা ৱারেপ অমা লৌরে। হিটৱেভসকি মরমদা মীয়ামবু ভাব তাহনবা অমসুং নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈনবা অনাবশিং থিংবা অমদি মী শিহন্দনবা মতেং পাঙবদা অঙাংশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌবা য়াই। মাংজৌননা লৌখৎপা অচম্বা থৌরাংশিংনা ঐখোয়না করম্না নুংশাগী মৈশা ঙাকথোকপা ঙমগদগে হায়বদু কোমিক অসিনা লমজিং-লমতাক্লি।

## কন্সেপ, স্ক্রিপ অমসুং আইদিয়া



ডা: রবিন্দ্র খাইৱাল
প্রোফেসার ইনভাইরনমেন্ট হেলথ
দিপার্টমেন্ট ওফ কম্যুনিতি মেদিসিন এন্দ স্কুল ওফ পব্লিক হেলথ
পি.জি.আই-এম.ই.আর, চান্দিগর-১৬০০১২, ঈন্দিয়া।
khaiwal@yahoo.com, khaiwal.ravindra@pgimer.edu.in



ডা: সুমন মোর
চেয়ারপার্সন
দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরনমেন্ট ষ্টদিজ
পঞ্জাব য়ুনিভর্সিতি, চান্দিগর-১৬০০১৪, ঈন্দিয়া।
sumanmor@yahoo.com, sumanmor@pu.ac.in

## মতেং পাঙলকপশিং-



লক্ষ্যা খাইৱাল, গভর্নমেন্ট মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, চান্দিগর, ঈন্দিয়া



আদিত্য খাইৱাল, অনকুর স্কুল, চান্দিগর, ঈন্দিয়া

© অয়াবা য়াউদনা অমুক হন্না পুথোকপা নত্রগা নম্বা য়ারোই।

আই.এস.বি.এনঃ থারি
অহানবা এদিসন ঃ জুন, ২০২২